**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 30-05-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা লৈরবা খক্তদা লমদম অমা চাওখৎপগী মাইকৈদা চংশিনবা ঙমগনি।

২) ত্রক দ্রাইভর অমসুং ত্রান্সপোর্ট ৱার্করশিং অশোই অঙাম থোকহন্দনবা হোৎনবা হায়বসি সরকারনা খ্বাইদগী অচৌবা দাইত্বনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ফোংদোকখ্রে।

৩) এন.পি.এফকী প্রসিদেন্ট অৱাংবৌ নিউমাই এম.এল.এনা হায়খ্রে- রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা আইন অমসুং ঙাকশেলগী থবক হেন্না কনখৎহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৪ শুবা ইপিসোদ হয়েং অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

অমসুং

৫) চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ জেনেরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদিনা হায়রি- লৈবাক অসিগী লান্মীগী থবক থৌরমদা মখা তানা শিংনরক্লবদি ওপরেসন শিন্দুর টু পোইন্ট ও মতম অমদা হেক্তা চথনবা শেম শাদুনা লৈ।

------

ত্রাইবেল (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা লৈরবা খক্তদা লমদম অমা চাওখৎপগী মাইকৈদা চংশিনবা ঙমগনি। সমাজ অমদা শান্তি লৈত্রবা মতমদা খ্বাইদগী চৈথেং ফংলিবশি মহৈরোই খুনাই অমসুং নোংমগী শুরগা চরা তাল্লিবা মীওইশিংনি। কাংলুপ ৩৬ রোমা খুন্দামিন্নরিবা মণিপুর অসি চাওখৎপা লমদম অমা ওইগে হায়রবদি চীং অমসুং তম্পাক অনিমক থোং মান্ননা হিরম খুদিংমক্তা চাওখৎমিন্নবা তঙাইফদে।

জন জাতিয়া গারিমা উৎসব ২০২৬ কী মনুং চন্না পাঙথোকপা বিরসা লাইফস ইন নিউ ভারত ৱিক্কী থৌরমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- মণিপুরবু চাওখৎপা রাজ্য অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মীপুম খুদিংমকা থৌদাং লৌমিন্নশি। লমদম অসিদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসি ৱারী শান্নদুনা শান্তি লাকবগী মাইকৈদা পুন্না চংশিমিন্নশি। মহাকা হায়- মহৈরোই খুনাইগীদমক মরুওইনা শোখহৌরবা ত্রাইবেল মহৈরোইশিংগী ওইনা সরকারনা য়াইফ থৌরাংগী স্কিম কয়া পায়খৎলি।

রাজ্যগী ত্রাইবেল এফিয়ার্স অমসুং হিলস বিভাগনা শিনদুনা ঙসি হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা উপ-মুখ্য মন্ত্রি নেমচা কিপগেনসু ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মুখ্য মন্ত্রিনা পোষ্ট মেত্রিক স্কোলারসিপকী সেদ্যুল ত্রাইব মহৈরোই বেনিফিসরিশিংগসু ৱারী শান্নখি।

ত্রাইবেল (এল)ঃ রাজ্যগী ত্রাইবেল এফিয়ার্স অমসুং হিলস বিভাগ, ত্রাইবেল রিছার্স ইন্সটিট্যুটনা শিনদুনা ইমিনেন্ট ত্রাইবেল অন্সং হিরোস ফেলিসিতেসন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী নোর্থ এ.ও.সিদা লৈবা হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর সরকারগী ত্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিলসকী এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরি-শ্রী বিবেক কুমার দেৱাংগন্না অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শকাইরবা ত্রাইবেল অন্সং হিরো অহুমদা এৱার্দ খুৎশিন্নদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

সিএম (এল)ঃ উখ্রুল জিলা ফাওদুনা নেসনেল হাইৱে-২০২ গী লৈঙাংচীং অমদি টি.এম. কসোম ভিলেজদা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা নোংচুপ বেঙ্গোলদগী এফ.সি.আইগী চেং পুবা ত্রক দ্রাইভর অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং অমদি ওল মণিপুর রোড ত্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস এন্দ মোটোর ৱার্করস য়ুনিয়নগী জেনেরেল সেক্রেতরি মাইমোম অনিল মীতৈনা লুচিংবা কাংবু অমনা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা উন্নখ্রে।

মহাক্কী সোসিয়েল মিদিয়া পোষ্ট অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা থম্মোয় শেংনা নুংঙাইতবা ফোংদোক্লি। সরকার অসিনা ত্রক দ্রাইভর অমসুং ত্রান্সপোর্ট ৱার্করশিং অশোই অঙাম থোক্তনবা অমসুং য়াইফনবা থবক থৌরমশিং অসিসু ইহান হান্না পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মনুংদা অমা ওইরি।

অমরোমদা, টি.এম. কশোমদা খুৎলায় পায়বশিংনা নোংমৈ কাপশিনবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা নোচুপ বেঙ্গলদগী দ্রাইভর অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা লুপা লাখ ১ গী শেনফম মণিপুর ত্রক ওনর ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন (মোতৱা) অমসং ওল মণিপুর রোড ত্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস এন্দ মোটোর ৱার্করস য়ুনিয়নগী মাইকৈদগী খুৎশিন্নখ্রে অমদি থৌদোক অদুদা শোকপদগী জেনিমসতা লায়েংলিবা মণিপুর পুলিসকী কন্সটেবলদনা লুপা লিশিং ৫০ গী শেনফম খুৎশিন্নখি।

তুংদা, পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মোতৱাগী প্রসিদেন্ট ঐচ. রঞ্জিৎ অমসুং য়ুনিয়নগী জেনেরেল সেক্রেতরি মাইমোম আনিলনা হায়- রাজ্য অসিদা নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং অসি দ্রাইভরশিংনা জাৎ বিজাৎ খায়দনা মণিপুর মীয়ামগীদমক পুশিল্লক্লি। অদুবু ঙসি ঙসিমকসু দ্রাইভরশিংদা অয়েৎ অপন পীবা য়াওনা লাইবক থীবা য়াবা থৌওং চথরি। থৌওং অসি রাজ্য অসিদা খুন্দারিবা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা তুংদা অমুক হন্না তৌহন্নিংদে। সরকারগী মাইকৈদগীসু দ্রাইভরশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা অমদি লাইবক থিবা থৌদোকশিং অসি তুংদা অমুক হান্না থোকহন্দনবা চপ চাবা থবক লৌখৎহন্নিংই।

কম্পিটিসন (এল)ঃ ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডে পালন থৌরমগী শরুক অমা ওইনা দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা শিনদুনা রাজ্য থাক্কী ওইবা সিম্পোজিয়ম কম্পিটিসন (কলেজ লেবেল) ঙসি দাইরেক্তোরেট অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

চাংদমবা অসিগী হীরমনা হন্দক্কী চহিসিগী ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী থিম-ইনসপাইয়র্দ বাই নেচর, ফোর ক্লাইমেট, ফোর অৱার ফ্যুচর হায়বসিনি। চাংদমবা অসিদা তোঙান তোঙানবা সরকার অমসুং এদেদ কলেজশিংগী মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

অৱাংবৌ (এল)ঃ উখ্রুল জিলাগী লৈঙাংচীং অমদি টি.এম. কসোম ভিলেজতা খুৎলায় পায়বশিংনা চথুরকপা এট্রেক্তা নোংচুপ বেঙ্গোলদগী এফ.সি.আইগী চেং পুবা ত্রক দ্রাইভর অমা লৈখিদবা অদুগা মথৌ তৌরিবা পুলিস কন্সটেবল অমবুনা অশোক অপন নংখিবা থৌদোকপু নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন.পি.এফ)না কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

ইম্ফালদা লৈবা এন.পি.এফকী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মণিপুর ষ্টেট য়ুনিতকী প্রসিদেন্ট অৱাংবৌ নিউমাইনা হায়- নেসনেল হাইৱে-২০২ গী সংকাই খুল ময়াদা ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অসিনা মীচম মীয়ামগী পুন্সিদা শিংনবতা নত্তনা হৌজিক তংদু লৈতাদবা ফিভম অমা মায়োক রিবা অসিদা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে। মহাকা হায়- লম্বী পরিং অসিদা মফম অদুগী খুঞ্জাশিংনা এস্কাভেটর শিজিন্নদুনা লম্বী তৌথোক্তুনা গাড়ি চৎথোক চৎশিন য়াহন্দবগী থৌওং চথুরকপা অসিদা মফম অদুদা মথৌ তৌদুনা লৈরিবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং করিগীদমক য়েংদুনা লৈরিবনো। শ্রী অৱাংবৌনা হায়- ত্রক দাইভর অমা শিখিবা অমসুং পুলিস পার্সোনেল অমা শোকখিবা অসিনা তাকপদি আইন অমসুং ঙাকশেলগী থবক হেন্না কনখৎহনবগী তঙাইফদবা লাক্লে হায়বসিনি। মহাকা মীচম অমসুং সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিংগী মথক্তা চথুরকপা হিংশাগী থবকশিং নিংথিজনা থিজিনদুনা মদুদা চেন্নবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি। শ্রী অৱাংবৌনা হায়- হৌজিক থিবা খঙদনা লৈরিবা মীওই ৬ কী

মতাংদা থিজিনবগী চপ চাবা রিপোর্ট খঙহনবা, হিংশা অসিদা চেন্নবশিং মতিক চাবা দন্দি পীবা, মতিক চানা থিজিনবগী থবক চখ্খবা, জাতি কাংলুপ খুদিংমক অশোই অঙাম থোক্তনবা ঙাকশেলগী থবক লৌখৎনবা এন.পি.এফ মণিপুর ষ্টেট য়ুনিতনা দাবী তৌরি।

অমরোমদা, উখ্রুল জিলাগী লৈঙাং চীংদা মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা এফ.সি.আইগী চেং পুরকপা গাড়িশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী ত্রক দ্রাইভর অমা শিখিবা অদুগা মণিপুর পুলিসকী কন্সতেবল অমনা অশোক অপন নংখিবা অদুবু ওল মণিপুর য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন, পোইরৈ লৈমারোল মৈরা পায়বী অপুনবা মণিপুর, ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভোলুন্তরি এসোসিয়েসন, কমিতি ওন হ্যুমেন রাইটস মণিপুর অমসুং মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন লুপ মঙানা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

জিরিবাম (এল)ঃ চহি অসিগী সেপ্তেম্বর ৬ তা ফোংগদৌরিবা ফাইনেল ইলেক্তোরেল রোলগীদমক জিরিবাম জিলাগী ওইনা বুথ লেবেল ওফিসারশিংনা য়ুম য়ুমদা চংদুনা ইলেক্তোরেল রোল শেম শানবগী থবক থৌরমশিং পায়খৎপা ঙসিদগী হৌখ্রে। জিরিবাম জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ওইবতা নত্তনা জিলা অসিগী ইলেক্সন ওফিসারসু ওইরিবা অরবিন্দ হংলেমগা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা হায়- মণিপুরগী ওইনা চখ্খরিবা স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিভ রিভিজনগী থবক জিরিবাম জিলাগী ওইনসু পায়খৎপা হৌরে। মসিদা জিলা অসিগী পোল্লিং ষ্টেসন ৪০ গী বি.এল.ওশিং অমসুং এজেন্টশিংগীগী ত্রেনিং লোইশিনখ্রে। মহাকা মখা তানা হায়- ই.সি.আইনা পীবা পাউতাক্কী মতুংইন্না এস.আই.আর শেম্নগী থবক অসি ঙসিদগী হৌবনি।

নোনে (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিত নোনেনা রাজ্যগী সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগকী মখাদা ৱান ষ্টোপ সেন্তর নোনেগা লোয়ননা অঙাংশিংবু ঙাকপী শেনবীবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীয়াম্বু হেন্না খঙহনবগী থৌরম অমা তাজৈ পাব্লিক হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

এয়ারপোর্ট (এল)ঃ এজেন্সিশিংগী মরক্তা মতেং পাংনবা হেনগৎহনবা, খুদক্কী ওইবা চেকশিন থৌরাংশিং করমা লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা এরোদ্রোম কমিতি মিতিং ঙসি ইম্ফাল এয়ারপোর্টতা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদু হোম বিভাগকী এদ্দিসনেল সেক্রেতরি ঐচ. বালকৃষ্ণ সিংহনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবনি।

কেম্প (এল)ঃ স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া (এস.টি.সি) খুমন লম্পাক ইম্ফাল, ইথিদেন দেন্টেল ক্লিনিক এন্দ ইনপ্লান্ট সেন্তর, মণিপুর স্পোর্টস দেন্টেল সেন্তরনা পুন্না শিন্দুনা নোংমগী ওইবা য়া লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া (এস.টি.সি) ইম্ফালগী ইন্দোর হোলদা পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা তোঙান তোঙানবা মশান্না ৬- বোক্সিং, জিমনাষ্টিক, করাতি, সেপাক তাক্রো, রেষ্টলিং অমসুং ৱুসুগী অপুনবা নুপামচা অমদি নুপীমচা শান্নরোই ১০০ রোম লায়েংখি।

কেম্পেন (এল)ঃ সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট অমসুং ইনফোর্মেসন, ইদুকেসন অমসুং কম্যুনিকেসন (আই.ই.সি) কেম্পেন ঙসি তমেংলোং জিলাদা মায় পাকা পাঙথোকখ্রে। কেম্পেন অদু স্মোল টাউন কমিতি (এস.টি.সি), এ.দি.সি তমেংলোংনা ৱিমেন সোসাইতি নিউ সালেমগা পুন্না শিনবনি। অকোইবগী ফিভম লু নান্না থন্বা অমসুং অমোৎ অকায়, ফত্ত-হাউদি মফম চানা হুন্দোকপগী মতাংদা মীয়াম্বু খঙহন্নবগী পান্দমদা কেম্পেন অদু চখিবনি। জিলা অদুগী রানি মার্কেটতগী মেদিকেল গেট তমেংলোং ফাওবগী মফমশিং, লম্বীগী মতাই অমসুং অমোৎ অকায় পৈশিনবা মফমশিং কেম্পেন অদুগী মনুং চন্না শেংদোকখি। কেম্পেন অদুদা পুন্না মীওই ৭৫ রোম শরুক য়াখি।

মনকিবাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৪ শুবা ইপিসোদ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা

শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইভ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

আর্মি ঃ চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ জেনেরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদিনা হায়রি- লৈবাক অসিগী লান্মীগা থবক থৌরমদা মখা তানা শিংনরক্লবদি ভারত লান্মীনা ওপরেসন শিন্দুর টু পোইন্ট ও মতম অমদা হেক্তা চত্থনবা শেম শাদুনা লৈ।

পুনেদা ঙসি পাঙথোকখিবা নেসনেল দিফেন্স একাদমিগী ১৫০ শুবা কোর্স লোইশিল্লবশিংগী পাসিং আউট পেরেদতা ৱা ঙাংবদা জেনেরেল দ্বিবেদিনা হায়- লৈবাক অসিগী সেক্যুরিতিদা শিংনরকপা মতমদা ভারতনা মতিক চাবা পাউখুম পীবা ঙম্মী হায়বদু ওপরেসন শিন্দুরনা ময়েক শেংনা উৎখ্রে।

গৱাঃ উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা ঙসি গৱানা মপুং ফাবা রাজ্য ওইখিবা চহি ৩৯ মপুং ফাবগী পালন থৌরমদা শরুক য়াখ্রে।

পনাজিদা লৈবা কালা একাডমীদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা উপ-রাষ্ট্রপতিনা হায়- গোৱা অসি ভারতকী হেরিতেজ, নাৎ চৎনবী, মোর্দনিতি, লৈবাক অসিগী ওইবা অমসুং মালেমগী ঙসিগী হোংলক্লিবা মশকশিং পুন্না লৈবা রাজ্য অমনি। ভারতকী চাওখৎপগী লম্বীদা চংশিনবদা অচৌবা য়ুম্বী অমা ওইরিবা ব্লু ইকোনোমি অসি হেন্না চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা গোৱানা অচৌবা মফম অমা কল্লি। শ্রী রাধাকৃষ্ণন্না মমিং লৈরবা কার্তুনিষ্ট মারিও মিরান্দাগী একজিবিসন অমসু পনাজিদা হৌদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মীংদা কমেমোরেতিভ ষ্টাম্প অমসু পুথোকখি।

## -হৌজিক শান্নবগী পাউ--

কাং ঃ ২৬ শুবা অরাম্বম সোমোরেন্দ্র নিংশিং কুমওন লিগ কম নোক আউট ওপন কেন্দ্র ৱাইস কাং তুরনামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস.এস.য়ু শিংজমৈনা লাংমৈদোং কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৬-৭ তা থোইখ্রে। হয়েং ক্লাসা ওইনাম অমসুং কৈশামথোং কাংখুৎ লম্বা থেংনগনি।

ফুটবোলঃ দিষ্ট্রিক্ট ফুতবোল এসোসিয়েসন থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা ক্ষেত্রি লৈকাই রাইজিং ক্লবনা শিন্দুনা চথুরকপা চহি ১৭ মখাগী অহানবা কে.আর.সি ট্রোফি ২০২৬ কী ৱিন্নর এস.আই.সি সিঙ্গানা ওইরে।

তুরনামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এস.আই.সি সিঙ্গানা এ.কে.এফ.সি.সি ক্বাক্তাবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

মুকা ঃ ইনাৎকী মশান্না মুকা য়োকখৎশি হায়বসিদা মহৈরোই লুপ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক)না শিন্দুনা অনিরক শুবা ওইনা কংলৈ মুকা চাংয়েংনবা ২০২৬ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ডাঃ কমল ইন্দোর হোলদা পাঙথোকখ্রে। চাংয়েংনবা অসিগী ক্বাটর ফাইনেল, সেমি ফাইনেল অমসুং ফাইনেল হয়েং শান্নগনি।

ফুটবোল ঃ ৬৫ শুবা সি সি মিট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এন. এম. এফ. এ না এথেলেটিক্স ব্রদর্স য়ুনিয়নবু পাঞ্জ ২-০ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ং ৱেলফিয়ার ক্লব অমদি এফ. সি ইম্ফাল পাজল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

------